POETRY
ARMA

সাহিত্য থৌপাং লূপনা শীন্দুনা মণিপুর প্রেস ক্লবতা পাঙথোকখিবা ৱর্ল্ড পোইত্রি দেগী থৌরমদা মণিপুরী খোরিরোলগী শক্লাইরবা অইবা মোইরাংথেম রাজেন্দ্রদা গোপাল শর্ম্মা এৱার্দ লান্থোকখিবা

লমদমসিদা মহৌশাগী তংদু লৈতাবা হঞ্জিলহনবীয়ু, নহাশিংগী পূন্সি কল্লু, ইন্দিয়াগী প্রাইম মিনিষ্টর মণিপুরদা লাকহনবীয়ু হায়বনচিংবা দিমান্দ তৌরদুনা ত্রান্স জেন্দর এক্তিভিষ্ট মালেম থোঙামনা বিষ্ণুপুরদা চরা হেনবগী খোঙজং চঙশিনবা

নেসনল হায়ৱে নম্বর-১০২দা মণিপুরগী ওল্ড অমদি ন্যু সেক্রেটরিয়েট মমাঙদা ওফিস অৱারদা মখোঙ মরি পানবা গাড়ীশিং দবল পার্কিং তৌশিন্দুনা অচৎ-অওকশিংদা পীরিবা খুদোংচাদবগী শক্তম

F FORESTS, 2024
lutions for a Better World
khri Forest Complex
T DIVISION

ওবজার্ভেসন ওফ ইন্টরনেসনল দে ওফ ফোরেষ্ট ২০২৪ ‘ফোরেষ্ট এন্দ ইনোভেসন ন্যু সোল্যুসন্স ফোর বেটরলাইফ’ হায়বা থীমদা ফোরেষ্ট দিপার্টমেন্ট গভর্ণমেন্ট ওফ মণিপুরনা শীন্দুনা মন্ত্রিপুখ্রিগী ফোরেষ্ট কমপ্লেক্সতা পাঙথোকখিবা

নুমিৎ ২৯নি শুজিনখ্রে

ইম্ফাল, মার্চ২১ (ঐচ এন এস) : লমদমসিদা মহৌশাগুম তংদু লৈতাবা হঞ্জিলহল্লু, নহাশিংগী পূন্সি কল্লু অমসুং প্রাইম মিনিষ্টর মণিপুরদা লাকহল্লু হায়বা দিমান্দদা দেল্লি অমসুং মণিপুরগী তোঙান তোঙানবা মফম কয়াদা চরা হেনবগী খোঙজং চঙশিল্লকখিবা লময়ানবা ইরাবত মেমোরিএল ইন্টিগ্রেটেদ ত্রষ্ট (এল আই এম আই টি) মণিপুরগী প্রসিদেন্ট ওইবদা নত্তনা ত্রান্স জেন্দর এক্তিভিষ্ট অমসু ওইরিবা মালেম থোঙাম ঙরাং বিষ্ণুপুর পুলিসকী টিম অমনা ফারবা মতুংদা মশাগী ফীভমগী মতুংইন্না জে নিমস হোস্পিটালগী ইন্সটিট্যুট ওফ মেদিকেল সাইন্সেসকী ইমর্জেন্সি ওবজার্ভেসন ৱার্দতা থমখ্রে হায়রি। মালেম থোঙামনা চঙশিল্লক্লিবা চরা হেনবগী খোঙজং নুমিৎ ২৯নি শুখ্রে হায়না এল আই এম আই টিগী পব্লিসিটি সেক্রেটরি চেতন য়েঙ্খোমনা ফোঙদোরক্লি।

কুমওন পাঙথোক্লরোই

ইম্ফাল, মার্চ২১ (ঐচ এন এস) : মার্চ ২১ সি চনুরা লমচিংলেল কংলৈপাক (সী এল কে)গী ৩১শুবা মপোক কুমওননি। চহী খূদিংগী নুমিৎসিদা কুমওন থৌরম পাঙথোকপদু কুমশিগী ওইনদি হৌজিক ওইরিবা লৈবাকসিগী ৱাথোকসিনা মরম ওইরগা পাঙথোক্লরোই। অদুবু লূপসিগী ৩১শুবা মপোক কুমওন্না লাকপদা ইরমদমসিগীদমক থৱায়না পোন্থা পীখ্রবা অমদি খুল ঙাকপশিং পূম্নমক্কী মফমদা সী এল কেগী প্রসিদেন্ট সী ঐচ পাকপীনা য়াইফ পাউজেল পীরক্লি।

‘থক্লবা ঈশিং খুজোক অমা ফংনবা হোৎনবদা অৱাবা মায়োক্লরি’

ইম্ফাল, মার্চ২১ (ঐচ এন এস) : কামজোং দিষ্ট্রিক্টকী মনুং চন্না লৈবা তাঙ্খুলশিংগী খুল সোটুন ভিলেজগী হান্নগী হেদমেন থাংমি ফুংলুইনা, সোটুন হায়নসু খঙনবা সোমথর খুঙ্গংগী মীওইশিংনা থক্লবা ঈশিং খুজোক অমা ফংনবা হোৎনবদা অৱাবা কয়া মায়োক্লরি। মফমসিদা লৈঙাক অমা লৈ হায়বগী মমি অমত্তা তাদ্রি হায়না পাউমীশিংদা ফোঙদোরক্লি।

মহাক্না মখা তানা ফোঙদোকখিবদা, কামজোং, কাংপোকপী, তেংনৌপল অমদি থৌবাল দিষ্ট্রিক্টকী লাংদাইফম ওইরিবা থৌবাল দিষ্ট্রিক্টকী ইঙৌরোক্তগী কিলোমিটর ১/২ রোম লাপ্লা লৈবা মফমসিদা এম জি নরেগা স্কিম খক নত্তনা লৈঙাক্কী করিগুম্বা স্কিম অমত্তগী কান্নবা ফংদ্রি। পূম্নমকসিদগী খ্বাইদগী খুদোংচাদ্রিবসি মীওইবদা নত্তনা থৱায় পানবা খূদিংমক্না হিংবদা চঙদবা য়াদ্রবা ঈশিং ফংলক্তবসিনি।

খুঙ্গংসি চিপ্পিদগী হৌরকপা ইঙৌরোক তুরেলগী পরিংদা লৈবনা মহৌশাদগী তুরেলসিগী ঈশিং চাদুনা অমদি শীজিন্নদুনা লৈরকপনি। অদুবু মশাখক্কী খনবা মীওই খরনা চাউর-চাউরবা মেছিন জে সী বি, প্রোক্রেম, হাইব্রানচিংবা শীজিন্নদুনা লোক্লুং অমদি লোকপালদগী নুঙ কোৎথোক্তুনা শেন্দাল লম্বী ওইরকপদগী তুরেলসি ঙসিদি লৈরি হায়বা খক্তা ঙাইরে। থক্লবা ঈশিং লৌবদি লায়রদনা লৈখোম-লৈনাং ঙাক্তা চেন্থরকপনা শীজিন্নবা হঙ্গোইরে হায়রি।

অদুবু হিংদবদি য়াদবনিনা ঈশিং লৌফম শেমদুনা মহিক চেল্লবা ঈশিংসি থক-চানরি। তুরেলসি খুঙ্গংসি খক্তা নত্তনা ইঙৌরোক, নোংপোক সেকমাই, উখোংশাং, হৈত্রোইপোকপীনচিংবা মফমগী মীয়াম্নসু শীজিন্নরিবনি। অদুবু তুরেলসিগী মফম কয়াদা নুঙ কোত্তুনা শেন্দাল লম্বী ওন্থোরকপনা মীয়ামদা অৱাবা কয়া মায়োক্লহল্লে। নোংপোক সেকমাই অমদি ইঙৌরোক্কী মীয়াম্নসু তুরেলসিবু লূ-নান্না থম্বীনবা লৈঙাক্কী মফমদা হায়জদুনা লাক্লি। মখোয়না চঙশিল্লকপা খোঙজংদা সোটুনগী মীয়াম্নসু শৌগৎকনি হায়রি।

ঙসি পাউমীশিংনা উনখিবদা সোটুনগী পাষ্টর য়ারুইঙম সিরো, ভিলেজ সেক্রেটরি সাইমোন অরুংসি, ভিলেজ কন্মিটিগী মেম্বর পিয়স ফুংলুইনচিংবনা শরুক য়াখি।

দবল পার্কিং তৌবদগী খুদোংচাদবা মায়োক্লরে

ইম্ফাল, মার্চ২১ (ঐচ এন এস) : মণিপুরগী লাইফ লাইন ওইরিবা নেসনল হায়ৱে নম্বর-১০২গী ওল্ড সেক্রেটরিয়েট ওফিস মমাঙ অমদি ন্যু সেক্রেটরিয়েট মমাঙদা ওফিস অৱার মতমদা নত্তনা অতৈ মতমদসু লম্বী তঙ্খায় হেন্না কাংখোং মরি পানবা গাড়ীশিং দবল পার্কিং তৌবদগী মীয়াম্না চখোক-চৎশিন্দা য়াম্না চাউনা খুদোংচাদবা মায়োক্লরে হায়না মীয়াম্না পেন্দবা ফোঙদোরক্লি।

ওল্ড অমদি ন্যু সেক্রেটরিয়েট ওফিস চঙফমদা মথৌ তৌরিবা পুলিস অমসুং ত্রাফিক পুলিসনা ওফিসকী মরী লৈনবা ওফিসরশিং, মিনিষ্টরশিং অমদি ষ্টাফশিংগী কাংখোং মরি পানবা গাড়ীশিং ওফিসকী কেম্পস মনুং অমদি লম্বী মপালদা খাম্নবা হোৎনবা, মসিদা নত্তনা ওফিস অনীসিদগী মথৌ তাবা থবকশিংগীদমক মিনিষ্টর অমসুং ওফিসরশিং উনবা লাকপা লন্নাই মীওইশিংগী গাড়ী অচৌবা অমদি মচাশিং হায়ৱেগী নাকলদা খামজিন্দুনা থল্লিবদু লৌথোক্লবা হোৎনবদা অৱাবা ওইনরে হায়রি।

গাড়ী অচৌবা অমদি মচা পুরকপা মীওইশিংনা ঙাইহাক্তংনি হায়রম্লগা নমদুনা খামজিল্লম্বনি। অদুগা পুং ২/৩ হেন্না থমজিনবসু য়াওরি। ওফিস অমা লৈরগদি মদুদা থবক তৌরিবা থৌমীশিংগী গাড়ী পার্কিং নীংথিনা লৈফম থোকই। পুরক্লিবা গাড়ীশিং অদুনা হায়ৱেগী লম্বী তঙ্খায় ফাওবা কনশিন্দুনা অয়ুক্কী পুং ১০.৩০দগী নুংথিল পুং ৪.৩০ ফাওবা থল্লগাদি মণিপুর লৈঙাক্না হায়ৱে লেন্দ নম্বর ৬ য়ৌনা পাকথোকপগী কান্নবা মীয়াম্না ফংবা ঙম্লিবরা হংনরক্লি। মসিদা নত্তনা ফুথ পাঠতা পোৎ-চৈ থাংদোক্তুনা য়োন্নবসু য়াওরি। লৈঙাক্না ফীভমসিদা অখন্নবা মীৎয়েং চঙহন্নিংই হায়রি।

ৱর্ল্ড পোইত্রি দেগী থৌরমদা গোপাল শর্ম্ম এৱার্দ লান্থোকখ্রে

ইম্ফাল, মার্চ২১ (ঐচ এন এস) : সাহিত্য থৌপাং লূপনা শীন্দুনা ৱর্ল্ড পোইত্রি দে থৌরম মণিপুর প্রেস ক্লবতা পাঙথোকখ্রে। থৌরমদুদা গোপাল শর্ম্ম এৱার্দ মণিপুরগী অইবা মোইরাংথেম রাজেন্দ্রদা লান্থোকখ্রে।

থৌরমসিদা অথোইবা মীথুং ওইখিবা মণিপুরী সাহিত্য পরিষদ ইম্ফালগী প্রসিদেন্ট লোংজম জয়চন্দ্রনা হায়খি, মালেমদা মহৌশাগী ফজবা, পূন্সিগী অৱা-নুংঙাই কয়াগী মশক অইবশিংগী থম্মোয়দা ইথিল পীরিবমখৈ শৈরেং লৈখিগনি। মালেমগী হোংলক্লিবা মশক অমদি টেক্নোলোজিদা চাওখৎলক্লিবা মতমসিদা শৈরেংগী মফম লৈরোই হায়না কনাগুম্বশিংনা হায়নবসু লৈ। অদুবু লিটরেচর হায়বা লমসিদগী শৈরেং হায়বসি খক লাপথোক্না লৈরোই। মণিপুর লমদমসিগী ওইবা তোপ-তোপ্পা মশক লৈজৈ। লমদমসিগী অকোয়বগী ফীভমসিনা মরম ওইরগা মণিপুরীশিংসি নুংশি-নুংওন অমদি থম্মোয় থোৎপা অমসু য়াওই। মসিমক্না ইপা-ইপুশিংনা থোইদোক-হেন্দোক্লবা অশৈবগী মতিক-ময়াই চেল্লম্বনি। মখোয়গী মতুং ইন্দুনা নহা অশৈবা কয়াসু লেপ্তুনা থোক্লকখিগনি হায়খি।

থা অমা চুপ্পা চত্থরকপা ইন্টেন্সিব ৱার্কশোপ লোইশিনখ্রে

ইম্ফাল, মার্চ২১ (ঐচ এন এস) : মিনিষ্ট্রি ওফ কলচর, গভর্ণমেন্ট ওফ ইন্দিয়াগী শেন্থং মখাদা পর্ফোর্মিং আর্টকী সেন্টর অমা ওইরিবা শীংজমৈ ৱাংমা পেবিয়া পন্দিত লৈকায়দা লৈবা তপস্যানা শীন্দুনা মণিপুরী দান্সকী মতাংদা থাবুম অমা চুপ্পা চত্থরকখিবা ইন্টেন্সিব ৱার্কশোপ থা অসিগী ২০দা লোইশিনখ্রে।

শীংজমৈ ৱাংমা পেবিয়া পন্দিত লৈকায়গী রাধা মাধোপতা পাঙথোকখিবা ৱার্কশোপ লোইশিনবগী থৌরমদুদা সঙ্গিত নাটক একাদেমী এৱার্দী এন টিকেন, রঙ্গনিকেতনগী চেয়েরমেন অজিৎ দাস অমসুং মেলা লম্পাক হায় স্কুলগী হেদ মিষ্ট্রেস ও ইশ্বরিনা মথংশিংনা অথোইবা মীথুং, থৌরম মপু অমসুং অখন্নবা মীথুংশিং ওইনা শরুক য়াখি।

অথোইবা মীথুং ওইখিবা এন টিকেননা হায়খিবদা, মমাংঙৈ মতমদদি মণিপুরদা কলচরেল ওর্গনাইজেসনশিংসি ভোলন্টরি ওর্গনাইজেসন ওইনা খরদমক লৈরম্মী। হৌজিক্তি লৈঙাক্না গ্রান্ট পীবদগী কলচরেল ওর্গনাইজেসন ময়াম অমা চেঙ্গুম শৌবগুম্না শৌগৎনরকপগা লোয়ননা পান্দম য়াওদনা লৈঙাক্তগী গ্রান্ট লৌথবা য়ানবা খক্কী চত্থরকপা য়াওরে হায়খি।

অঙাং ৮ শোক্লে

ইম্ফাল, মার্চ২১ (ঐচ এন এস) : ইম্ফাল টিদ্দিম লম্বীগী লিট্টল ফ্লৱার স্কুল মনাক্তা য়াংনা থৌরকপা টাটা হেরিয়র অমনা থোম্বদা গাড়ী মরি মথং-মথং য়ৈশিন্নদুনা অকায়-অতোয় থোকহনবদা নত্তনা স্কুলগী অঙাংশিং তোংবা ভেনদা থোমজিনবদা পীক্লিবা মহৈরোয় ৮সু অশোক-অপন নংখ্রে। থৌদোক্তু ঙসি নুংথিল ৩ তাবদা থোকখিবনি হায়রি।

নিংথৌখোংগী আই টি আই য়েংশিনখ্রে

ইম্ফাল, মার্চ২১ (ঐচ এন এস) : দিরেক্টোরেট ওফ ক্রাফ্টসমেন ত্রেনিংগী জোইন্ট দিরেক্তর ওইনা থৌ পুরিবা এম সী এস ওফিসর য়াইফবা লোংজমনা ওফিসলশিংগা লোয়ননা ঙসি আই টি আই নিংথৌখোংগী ফীভম য়েংশিনখ্রে।

মমাঙথক্তসু মহাক্না আই টি আই ফক্লুং, ৱিমেন আই টি আই, মেন আই টি আইনচিংবশিং চত্তুনা য়েংশিনখিবা লৈখ্রবনি। ঙসি অয়ুক পুং ১০.৩০দগী আই টি আই নিংথৌখোংদা চত্তুনা হৌজিক ওইরিবা আই টি আই অদুগী ফীভম অমদি অৱাৎ-অপাশিং য়েংশিনখি। আই টি আই নিংথৌখোংগী প্রিন্সিপাল থিয়াম শরতনা জোইন্ট দিরেক্তরবু তরাম্না ওক্তুনা আই টি আইসিগী কা খূদিংমক চঙমিন্নদুনা য়েংমিন্নখি হায়রি।

এম য়ুদা নুমিৎ হুম্নী চত্থগদবা নেসনল কনফরেন্স হৌদোকখ্রে

ইম্ফাল, মার্চ২১ (ঐচ এন এস) : মণিপুর য়ুনিভর্সিটি (এম য়ু)গী দিপার্টমেন্ট ওফ কেমিষ্ট্রি অমসুং কেমিষ্ট্রি এল্যুমনাই এসোসিএসন অনীনা খূৎশম্নদুনা ইমর্জিং চেলেঞ্জেস ইন জেরোন্টিয়র্স ওফ কেমিকেল সাইন্সেস হায়বা হীরমদা পাঙথোকপা অনীশুবা নেসনল কনফরেন্স ঙসি দিপার্টমেন্টসিগী সেমিনার হোলদা হৌদোকখ্রে।

কনফরেন্স হৌদোকপগী থৌরমদা এম য়ুগী ভাইস চাঞ্চেল্লর প্রো. এন লোকেন্দ্রনা অথোইবা মীথুং, কেমিষ্ট্রীগী হেদ ওফ দিপার্টমেন্ট প্রো. এন রাজেননা থৌরম মপু অমসুং য়ুনিভর্সিটিসিগী স্কুল ওফ মেথমেটিকেল এন্দ ফিজিকেল সাইন্সেসকী দিন প্রো. সুমিত্রা ফাঞ্জৌবমনা অখন্নবা মীথুং ওইনা শরুক য়াখি।

অথোইবা মীথুংগী ৱারোল পীরদুনা ভি সী প্রো. লোকেন্দ্রনা হায়খিবদা, কুমজা ২০৪৭ ফাওবদা লৈবাকসিবু চাওখৎহনবা হায়না লৈঙাক্না থল্লিবা পান্দমসিদা ন্যু এদ্যুকেসন পোলিসী, ২০২০গী মখাদা সাইন্সকী লমদা চুম্নগী তাকপী তম্বীবগী মথক্তা অনৌবা মীৎয়েং অমদি খুন্নাইনা হেন্না কান্নগদবা ৱাখল্লোন কয়া পুথোরকপা তঙাইফদে হায়নসু ফোঙদোকখি।

হৈরোক ১দি থৌবালদা মৈরাগী রেল্লি চৎখ্রে

ইম্ফাল, মার্চ২১ (ঐচ এন এস) : ইন্দিয়া লৈঙাক্কী পিছ টোক এগ্রিমেন্ট তৌনরিবা পাম্বৈনা লুচিংবা য়ু এন এল এফকী চীফ ওফ আর্মি শিদবামপু এলিয়জ থোইবা, চীফ ইন্টল্লিজেন্স ঈংবা অমদি কাদর অমগা পুন্না মীওই অহুম্বু এন আই এনা ফাখিববু য়ানিংদবা ফোঙদোক্তুনা ঙরাং নুমীদাং থৌবাল দিষ্ট্রিক্টকী হৈরোক অমদি থৌবালগী মফম খরদা মৈরাগী খোঙচৎ চত্তুনা খোঙজং চঙশিনখ্রে।

ৱাইথৌ, কিয়াম, কিয়াম সিফাই, হাওখ অমসুং থৌবাল খুনৌগী ক্লব ১৮গী অপুনবা লূপ অমা ওইরিবা মৈতৈ কম্যুনিটি জোইন্ট কোওর্দিনেটিং কন্মিটিনা শীন্দুনা ৱাইথৌদগী হৌরগা হাওখ মমাঙ লৈকায় ফাওবা ত্রান্স এসিয়ন হায়ৱে ১০২গী লম্বী মতায়দা মৈরাগী চেন শেমখি হায়রি।

[illegible]

[illegible]

বেষ্ট এক্ট্রেস ফংলকখ্রবী রেস্মি সোরোখাইবম তরাম্না ওকখ্রে

ইম্ফাল, মার্চ২১ (ঐচ এন এস) : অসামগী জোরহাটতা থা অসিগী ১৬তা পাঙথোকখিবা প্রাগ সিনে এৱার্দ২০২৪দা বিজগুপ্ত লাইশ্রমগী ‘বামোন ইবেম্মা’ হায়বা ফিল্মসিদা কুমখিবী রেস্মি সোরোখাইবমনা বেষ্ট এক্ট্রেস ফিমেল নোর্থ ইষ্টকী মনা লৌবা ঙম্লকখিবা অদুগীদমক নুংঙাইবা ফোঙদোক্লদুনা ইপাক ফিল্মস প্রদক্সন মণিপুরনা কৈশাম্পাৎ জঙ্কসন্দা লৈবা ইমা বক্সেট হোলদা তরাম্না ওকপগী থৌরম অমা পাঙথোকখ্রে।

থৌরম অদুদা ফিল্ম ফোরম মণিপুরগী চেয়েরমেন ওইরম্বা এস মঙ্গোলজাও, ইপাক ফিল্মস প্রদক্সন মণিপুরগী এদভাইজর মোইরাংথেম রাজেন অমসুং ৱর্ল্ড এক্সপ্রেসন পিকচর্সকী প্রসিদেন্ট থোঙাম অশোকুমারনা মরু ওইবা মীথুংশিং ওইনা শরুক য়াখি।

থৌরমদুদা এস মঙ্গোলজাওনা হায়খি, হৌজিক থোক্লিবা লান মরকসিদা মণিপুরগী শান্নরোই কয়ানা শান্নবগী লমদা, মহৈরোয়শিংনা এদ্যুকেসনগী লমদা, আর্টিসানশিংনা খূৎ-শা হৈবগী পোথোক্তা অমদি আর্টিষ্টশিংনা আর্টসকী লমদা অমদি অতৈ শিনফম কয়াদা লৈরিবশিংনসু মাগী মাগী শিনফমদা লৌরিবা থৌদাংশিং ঐখোয়না ঈকায় খুম্নফম থোকই। লান ঙাক্লিবশিংনা ঙমখৈ ঙাক্লিবা অসুম্না আর্টিষ্টশিংনা আর্ট ফোর্ম কয়াবু ঙাক্তুনা থল্লিবসি লমদমসিগী নাৎ অমদি অপুনবগী শক্তম শাগৎপদা শরুক য়ারিবনি। মীয়াম্না আর্টিষ্টশিংবু শৌগৎপীয়ু হায়না ফোঙদোকখি।

ইন্টরনেসনল দে ওফ ফোরেষ্টকী থৌরম পাঙথোকখ্রে

ইম্ফাল, মার্চ২১ (ঐচ এন এস) : ওবজার্ভেসন ওফ ইন্টরনেসনল দে ওফ ফোরেষ্ট ২০২৪ ঙসি ‘ফোরেষ্ট এন্দ ইনোভেসন ন্যু সোল্যুসন ফোর বেটরলাইফ’ হায়বা থীমসিদা সেন্ট্রেল ফোরেষ্ট দিভিজন, ফোরেষ্ট দিপার্টমেন্ট ওফ মণিপুরনা শীন্দুনা মন্ত্রিপুখ্রি ফোরেষ্ট কমপ্লেক্সতা লৈবা চম্পা হোলদা পাঙথোকখ্রে।

থৌরমদুদা ফোরেষ্ট দিপার্টমেন্টকী স্পেসল সেক্রেটরি ফোরেষ্ট এন্দ ইনভাইরনমেন্ট আর কে অমর্জিৎ আই এফ এস, সেন্ট্রেল ফোরেষ্ট দিভিজনগী দি এফ ও এন গনেশ আই এফ এস, কাংপোকপী দিষ্ট্রিক্টকী দি এফ ও অমন দিপ, এম য়ু ফোরেষ্ট দিপার্টমেন্টকী হেদ বিবেক বাশ্নব, দিন দয়াল কোলেজ ওফ ফোরেষ্টকী এসিষ্টেন্ট প্রো. ডা. সদানন্দ, ধনমঞ্জুরি য়ুনিভর্সিটিগী দিপার্টমেন্ট ওফ ইনভাইরনমেন্টেল সাইন্সকী এসোসিয়েট প্রোফেসর ডা. এন সরিতানা মথংশিংনা অথোইবা মীথুং, থৌরম মপু অমসুং অখন্নবা মীথুংশিং ওইনা শরুক য়াখি।

আর কে অমর্জিৎনা থৌরমদুগা মরী লৈননা ফোঙদোকখিবদা, ঐখোয়না ফোরেষ্ট দে পাঙথোক্লিবসি ফোরেষ্ট মাঙশিল্লক্লে হায়রিবনি। ১৯৮৭ তগী ২০২১ ফাওবদা লাঙ্গোল রিজার্ভ ফোরেষ্টকী শরুক ৪০ মুক চাউবা উমংগী লম মাঙখ্রে হায়না ফোঙদোকখি। লমদমসিগী মীয়াম, ফোরেষ্ট ষ্টাফশিং, রিছার্স স্কোলারশিং পুল্লগা উমং কনবগী খোঙজং চঙশিনমিন্নসি হায়খি।

থৌ পুগদবশিং খনখ্রে

ইম্ফাল, মার্চ২১ (ঐচ এন এস) : য়ুনাইটেদ ক্লবস ওর্গনাওইজেসন বিষ্ণুপুর দিষ্ট্রিক্ট (য়ু সী ও বি আই দি আই)গী সেক্রেটরি এল প্রেমজিৎনা থাদোরকপা চেরোল অমনা ঙসি দিষ্ট্রিক্ট দিভেল্লপমেন্ট কন্মিটিগী মখাদা এন থম্বাল্লৈমনা থৌরম মপু ওইদুনা এন্টি দ্রগ কেম্প্যেন বিষ্ণুপুর দিষ্ট্রিক্টকী সব-কন্মিটি অমা ২০২৪গীদমক থৌ পুগদবশিং খনখ্রে হায়রি। থৌ পুগদবশিং অদুদি কনভিনরদা টি ঐচ রোমেন, কো-কনভিনরশিংনা আই ন্যুটেন, কে ঐচ জয়, আর কে রোস্নি, টি রোহিট, এল নরেশ, এল রোসো, এন জোন্সন, এন রোবার্ট, এম দি হনিফ খান, টি ঐচ নবচন্দ্র, ওজিৎ অসিনচিংবনি। মসিগা লোয়ননা সব-কন্মিটিসিগী লিগেল এদভাইজর ওইনা টি ঐচ সুশিলকুমারবুসু খনখ্রে হায়রি।

শেলগী মতেং পাংখ্রে

ইম্ফাল, মার্চ২১ (ঐচ এন এস) : কুম্বী এ সীগী মনুং চন্না লৈবা নুঙ্গু চন্দোনপোকপী অমদি চীংয়াপাৎ খুঙ্গং অনীসিগী লাঞ্জেন্নদুনা রিলিফ কেম্পতা লৈরিবা খুঞ্জাশিংদা সোসল এক্তিভিষ্ট অমসুং জে দি য়ু মণিপুর ষ্টেট য়ুনিটকী ভাইস প্রসিদেন্ট সঞ্জয় অহন্থেমনা অৱা-অনা, অৱাৎ-অপা খন্নবগা লোয়ননা শেলগী মতেং পাঙখ্রে। লাঞ্জেন্নরক্লিবশিংদু নুঙ্গু প্রাইমারী স্কুল অমদি কম্যুনিটি হোলগী রিলিফ কেম্পশিংদা লৈরিবনি।

চহীগী দশা য়েংজরি / [illegible]

মপোক্কী কুঠী অমদি খুবাক ময়ি সাইন্টিফিক্ট ওইবা মওংদা কুপথনা য়েংজরি। চহিগী দশা-লাংফম, অঙাংগী মহৈ-মশিং, পক্লবা সবজেক্ট, অৱাংবা পরিক্ষা, লাইরিক্তা থৱায় য়াওদবা, পক্লবা শিনফম, সরকারগী থবক, লল্লোন-ইতিক, শেল-থুম, য়ুম-ইংখোলগী অফ-ফত্ত, লুহোংফাল, য়ুম্বাল, ইচা-ইশু, ইমুং মহী লাংবা, হায়ন-তানবা য়াদবা, পক্লবা গাড়ী, লক্কি ষ্টোন, হকচাংগী নুংঙাইতবা মরমশিং য়েংজরি। হেন্না ফগৎনবা তান্নবীয়ু। ওনলাইনদসু য়েংবীবা য়াগনি। ৱাটচএপ নম্বর ৯০৭৭১৮৮৪৫৬।

Contact : **JM Dr Ph Rajendra**
Nongmeibung Wangkheirakpam Leikai
Imphal East, Manipur

HL-B/8620/11 to 15 April

ꯂꯥꯏꯌꯦꯡ/ তাঙ-তাঙ চিকপা নাবা, ঙকশম মরি নাবা, লেংজুম অনীমক চিকপা নাবা, নময়াং শরূ অসিসু নাবা, খ্বাং নারগা থবক কুইনা শুবা ঙমদবা, পূক্তা গ্যাষ্ট্রিক কারগা থবাক্লোমদা হাইগৎলগা থবাক নাবা, শ্বর হোনবা ৱাবা, ফম্বী শোনবা, খোঙ হাম্বা য়াদবা ফহনবগী ওজা Zia-Ul-Haque পু থাগৎচরি।

ঐগী হকচাংদা গ্যাষ্ট্রিকনা য়াম্না কন্না নাদুনা তাঙ-তাঙ চিকপা নাবা, কল্লাক মরি নাবা, নিংজোল মরিন অসিসু নাবা, ঙকশম মরি নাবা, ওইগী হকচাং তঙ্খায় অসিসু মরক-মরক্তা শিথবগুম তৌরকপা, অদুগা ফখিবা অমুক হৌরকপা, পূক্তা গ্যাষ্ট্রিক কারগা থবাক্লোমদা চেনখৎলগা থবাক নাবা, চাবা-থকপসু য়াদবা, করিগুম্বা অমা চাশিনবা মতমদা খনাউদা ইথন্তা থনগৎলগা লৈবা, হকচাং অসি য়াম্না চোকথবা, পোখারগতা লৈনিংবা, পূক মনুংদা চক-চক থিল্লকপা, পূকচেপ নাবা, ওনিং-ওনিং তৌরগা লৈবা, অমাংথোঙ মপান অকোয়বদু মরেং-মরেং চৎলগা হাক্কৎচবা, অমাংথোঙদা তিনকুপসু থোক্লকপা, খোঙ হাম্বা য়াদবা, খোঙ হাম্লগসু হামেং মথিগুম্না খজিক্তং হাম্লগা তোকপা, খোঙ ফজনা হামদোকখিবা তারগদি ঐঙোন্দা নারম্বা অদু খরদি ফরবরা হায়না খনবা, খোঙ-খূৎ অসি শিথবা, অহিং তূম্বা য়াদবা, খোঙয়া শাবা, ফম্বী শোনবা, ফম্বী থুনা থুনা চৎপা, কোক ঙাওরগা করিমত্তা শুনিংদবা, লেংজুম অনীমক নাবা, নময়াং শাগৎপা, খ্বাং নারগা থবক কুইনা শুবা ঙমদবা তৌরম্বা অদু ষ্টেট অমদি নেসনল এৱার্ড ফংলবা **Regd. No. 1591/SR/IW/2019, MD. Zia-Ul-Haque Phusam ☎ 8414825323, 9774274439** দা চৎতুনা লায়েংজরব্বদগী ঐগী হকচাংদা লৈরম্বা অনাবশিং অদু মপূগী থৌজালদগী মপূং ফানা ফরে। মরম অসিনা ওজা Zia-Ul-Haque পু থাগৎচরি।

লায়েংফম :1. Kekru Villa North AOC, Opp. Kekru Pat, Imphal (10 a.m. to 5 pm.)
2. Mayang Imphal, Konchak Makha Leikai. (6 am to 9 am.)
3. Yairipok Bamon Leikai Kabastan Road (Only Wed. & Sat. Open) (10 a.m. to 4pm.)

HL-B/8619/22 *থাগৎচরিবা:* **L. Loken Singh,** Bashikhong

ꯂꯥꯏꯌꯦꯡ/ পূক্তা গ্যাষ্ট্রিক কারগা পূক প্রিক-প্রিক খোংবা, গ্যাষ্ট্রিক অদু থবাক্তা চেনখৎলগনা থবাক নাবা অমদি শ্বর হোনবা ৱাবা, করিগুম্বা অমা চাশিনবদা খনাউদা শাগৎলগা ইথন্তা থনগৎলগা লৈবগুম তৌবা, য়ারোমদা তোয়না তোয়না খেগৎলকপা অদু ফহনবগীদমক ওজা Azad পু থাগৎচরি।

ঐগী হকচাংদা গ্যাষ্ট্রিকনা য়াম্না কন্না নাদুনা পূক্তা গ্যাষ্ট্রিক কারগা পূক প্রিক-প্রিক খোংলগা লৈবা, গ্যাষ্ট্রিক অদু থবাক্তা চেনখৎলগা থবাক নাবা অমদি শ্বর হোনবা ৱাবা, করিগুম্বা অমা চাশিনবদা খনাউদা শাগৎলগা ইথন্তা থনগৎলগা লৈবগুম তৌবা, য়ারোমদা তোয়না তোয়না খেগৎলকপা, অমাংথোঙদা নুংশিৎ চৎলু য়াদবা, চানিং-থক্লিংবা পোক্তবা, ওইগী খোঙ অমদি খূৎ চিকপা নাবা, তাঙ-তাঙ চিকপা নাবা, শিংলি নাওরি শোনবা, কোক চিকপা, কোক ঙাওবা, ঙকশম মরি নাবা, শয়েং অনীমক চিকপা নাবা, নময়াং মরি অসিসু চিকপা নাবা, খ্বাং নারগা থবক কুইনা শুবা ঙমদবা, খোঙ হাম্বা চাং নাইদবা, হাম্লগসু মনাংগা লোয়ননা খজিক্তং হাম্লগা তোকপা, খোঙ মপুং ফানা অমুক্তদা শেংনা হামদোকপা য়াদবা, মচিৎ-মচিৎ হাম্বা, পূকচেপ নাকল অনীমক নাবা, খোঙয়া শাবা, অহিং তূম্বা য়াদবা, ফম্বী শোনবা, ফম্বী থুনা থুনা চৎপা, হকচাং নোংম-নোংমগী ময়েং তাশিল্লকপা অদু ষ্টেট অমদি নেসনল এৱার্ড ফংলবা ওজা **MV Azad Phusam Phone No. 7628890261/9089738275** দা চৎতুনা লায়েংজবদগী ঐগী হকচাংদা লৈরম্বা অনাবশিং অদু মপূগী থৌজালদগী ফরে। মরম অসিনা ওজা Azad পু থাগৎপা ফোঙদোকচরি।

লায়েংফম :1. Hatta Opp. Oil Pump Near Public Hospital, Imphal.
2. Mayang Imphal, Konchak Bazar. (6 am to 10 am.)
3. Bishnupur Bazar Ward No. 9 (Only Sat. & Wed. Open)
4. Yairipok Bazar Near Traffic Point (Only Sunday Open)

HL-P/10128/22 *থাগৎচরিবা :* **Ch. Abungcha,** Mayang Imphal

[illegible]
PLANET ACADEMY
KEISHAMPAT JUNCTION OPT. CC PUR PARKING
Gateway to future academic career
admission open
Foundation Course
CLASS-XII (Cohsem & Cbse)
Phy, Chem, Maths, Bio, H.Sc. & Eng.
Class commencing on 1st April, 2024
CLASS-XI (Cosem &Cbse)
Phy, Chem, Maths & Bio
Class starts on 18th April 2024
Class Timing
Morning: 4:30 - 6:45 am
Evening: 4:15 - 8:00 pm
Special Features:
Focus & provided foundation for NEET & JEE aspirants
Vision for toppers
Analysis of most probable Q&A for the upcomming final exam, 2025
Regular chapterwise test series on every sunday
Extra classes for weak students on regular basis
Special concession for students of Govt. schools & relief camps.
Van facility & seperate Hostel for boys & girls
Limited seats
First come first serve with concession
For further details, please contact: Office, PLANET ACADEMY 9863002206

HL-B/8624/12 March to 16 April alt.

CAS Coaching Centre
CAS Building, 2nd floor Keishampat Junction Imphal
Admission Open
FOUNDATION COURSES
CLASS XII (Phy, Che, Maths, Bio, Home Sc. & Eng)
CLASS XI (Phy, Che, Maths, Bio, Home Sc. & Eng)
CLASS X (English, Maths, Science, Social Sc. & Home Sc)
Hurry!!! Seats are limited First Come First Served
Special features:
- Concession for 1st come 10 students
- Special Concession for Meritorious, Ethnic Victim Students.
- Experienced and Expert Faculties.
- Supply Chapterwise Study Materials.
- Targeted Suggestion for Final Exam. by Experts.
- Weekly and Monthly Test Series.
- 30 Students for each Batch.
- Vision for Toppers in 2025
Hostel for BOYS & GIRLS Available
Classes commencing from
18th March, 2024(1st Batches) & 4th April, 2024(2nd Batches)
Morning:(4.00/4.30- 7.00/7.30) A.M. # Evening:(4.00-7.00)P.M
For Details:- CAS Office, 2nd floor Keishampat Junction Imphal (Mayai Lambi Machin) # 6033817130

HL-B/8605/7 to 31 March

Regd. No. : KNL/497/(CE) of 2018 (I/W)
[illegible]
SANGAI TUTORIAL
Kwakeithel near Imphal College,Imphal
ADMISSION OPEN
FOUNDATION COURSE for
CLASS -XII Sc. (COHSEM)
Class commencing on 5th April, 2024 (4:20 pm to 7:40pm)
18TH POSITION Yumnam Hemlan MECI Explorer Academy
20TH POSITION Bhumika Rajkumari COMET School
86% Ranjan Chungkham MECI Explorer Academy
86% Bonita Laishram COMET School
Form available at :
1. 'SANGAI HOSTEL' Kwakeithel Ningthemkol, Opp. Kwakeithel Tiddim Ground.
2. Office of SANGAI TUTORIAL, Kwakeithel near Imphal College, (3:00pm - 7:30pm)
9233836426
7085521821

HL-B/8646/18